# নেপালগী প্লেন কাইবদা অতোংবা ২৩ মক শিখ্রে



কথমন্দু, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

নেপালগী খ্বাইদগী নৌবা প্লেন কাইবগী থৌদোক্তা ঙসি লৈবাক অদুগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী লমদম অমদা অপীকপা প্লেন অমা কাইখ্রে অমসুং মীরৈবাক মচা অনী অমসুং অপীকপা অঙাং অনী য়াওনা প্লেনদুদা তোংখিবা মীওই ২৩ মক শিখ্রে হায়রি।

টারা এয়রগী টুৱিন-ওট্টর টর্বোপ্রোপ এয়রক্রাফট অদু মীয়াম্না কোইবা চৎনবা টাউন পোখরাদা লৈবা এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট খরগী মনুংদা কাইখিবনি। প্লেন অদু হিমালয় চীংজাউ কাবা হৌফম জোমসন তন্না পাইখিবনি হায়রি।

কাইখিবা প্লেন অদুগী অকায়-অতোয়গী শরুকশিং অদু ৱেষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট ম্যাগদিদা তারমখি অমসুং অশিবা হকচাংশিংসু মদুগী অকোয়বদা তারমখি।

নেপালগী মিনিষ্টর ফোর কলচর, টুরিজম এন্দ সিভিল এভিয়েসনগী মিনিষ্টর অনন্দা পোখরেলনা হায়খি, প্লেন অদুগী মৈনা চাকথেল্লকবা অকায়-অতোয়গী শরুক অদু মোলিঘোপটে উমংদা থেংনখি। মীরৈবাক মচা অনী য়াউনা এ৯-এ ঐচ ঐচ এয়রক্রাফটতা তোংলিবা মীওই পুম্নমক থৌদোক অদুদা শিখ্রে হায়না মহাক্না পি টি আইদা ফোনগী খুত্থাংদা ফোঙদোকখি।

প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অঙাং অনী য়াওনা ১৮ না নেপালিজ সিটিজনশিংনি, অনীনা মীরৈবাক মচাশিংনি অমসুং অহুম্না ক্রুমেম্বরশিংনি। মীরৈবাকমচা অনীদুগী মনুংদা অমদি চাইনিজ মচা অমনি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা কুৱেটি মচানি হায়বসি কনফর্ম তৌরে।

এয়রক্রাফট অদু হেক কাইবগা মৈ চাকখি হায়না এক্সিদেন্ট মফমদা চৎখিবা থিবা হুম্বা অমদি রেস্ক্যুগী টিমনা ফোঙদোকখি।

নেপালগী সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিনা হায়খি, প্লেন কাইখিবগী মরম হৌজিক থিজিনদ্রিবনিনা হায়বা ঙমদ্রি। এক্সিদেন্ট থোকফম লমদুগী মীশিংনা হায়খি, মখোয়না অচৌবা পোকখায়বগী মখোল অমা তাবগা লোয়ননা অচৌবা মৈবুল অমা তাম্না উখি। অহানবগী ওইনা থিজিনবদা চাউরাক্না খঙলকপগী মতুং ইন্না, মাউন্ট অন্নাপুর্নাদা অকংবা লেন্দস্লাইদশিং থোকপনা মরম ওইদুনা এরিয়া অদু উফুল্ল মপৈ মপৈনা মমশিনখিদুনা উবা ফংবগী চাং নেম্মনখিদুনা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বসু য়াই।

হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গং তরেৎতা উফুল-ৱাইফুল কা হেন্না থাংখি। মদুগী মমাঙদা এয়রক্রাফট অদু থিননবা কথমন্দুদগী হেলিকোপ্টর অহুম থাখি। নেপাল আর্মি, আর্মদ পুলিস ফোর্স অমসুং নেপাল পুলিস পার্সনেলসু মোবিলাইজ তৌখি।

"ঐখোয়না থিবা অমসুং রেস্ক্যু মিসন অমদা হেলিকোপ্টর অহুম থাখ্রে" হায়না এয়রলাইন অদুগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

"প্লেনগী হৌফম অমদি থুংফম এয়রপোর্ট অনীমক্কী নোং-চীংগী ফীভমশিং ফখি অমসুং পোখরাদা লৈবা কন্ট্রোল টৱারনা এয়রক্রাফট অদু দিপার্চরগীদমক্তা ক্লিয়র তৌখিবনি" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

নেপালদা লম্বীগী নেটৱার্ক ইরৈ লৈতবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা এয়র ট্রাভেল তোইনা শীজিন্নৈ। চীংগী কম্যুনিটি কয়া য়ৌনবা চৎকে হায়রবদি খোঙনা নৎত্রগা নোংথক্তা চৎনৈ।

কুমজা ১৯৪৯ দা টারা এয়র হৌখিঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা প্লেন কাইবগী থৌদোক ৭০ থোকখ্রে। নেপালদা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৪৯ দা এয়রক্রাফট থুংখিঙৈদগী তোঙান-তোঙানবা প্লেন অমসুং হেলিকোপ্টরশিং কাইবগী থৌদোক ৭০ হেনবদা মীওই ৭০০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১২ দা জোমসন এয়রপোর্ট মনাক্তা দোর্নিয়র এয়রক্রাফট অমা কাইবদা মীওই ১৫ শিখি। শিখিবা মীওই ১৫ দুগী মনুংদা চাইল্ড এক্টর টরুনি সাচদেব অমসুং মমা গীতা সাচদেবসু য়াওখি।

কুমজা ২০১৩ দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা নেপালিজ এয়রলাইন্স খুদিংমক মফম অদুদা পাইদনবা হায়খি। কুমজা ২০১৪ দা নেপাল এয়রলাইন্সকী প্লেন অমা লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবরোমদা লৈবা উন্না কুপ্লবা চীংজাউ অমগী নাকলদা কাইবদা মীওই ১৮ শিখি।

# প্রসিদেন্ট মোরালিজ মথংগী মীখলদা লেপ্পা য়াররোই

সুক্রেস, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

প্রসিদেন্ট ইভো মোরালিজনা বোলিভিয়াগী কন্সটিট্যুসন শেমদোক্তুনা ২০১৯গী মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইবা য়ানবা হোৎনবদা ভোট মশীং খজিক্তদা মায় পাকখিদবগা লোয়ননা ভোলিভ্যান ভোটরশিংনা প্রসিদেন্ট মোরালিজদা মহাক্কী হৌজিক্কী টর্ম অদুনা মহাক্কী অরোইবসু ওইগদবনি হায়বা উৎখ্রে।

চহী ১০ মুক লৈঙাক্কী পৱার পায়রকপদা অইমারা মচা অদুনা মীখলদা হকথেংননা মায়থীবসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি হায়রি। কুমজা ২০০৯ গী কন্সটিট্যুসন নৌনা ইথোকপগী ৱাফম য়াওনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা লৈবাক্কী মীখলশিংদা মহাক্না অপূনবা ভোটকী চাদা ৬১.৫ ফংদুনা মায় পাকখি।

হৌখিবা নুমিদাং অথেংবদা মীখলগী রিজল্টশিং ময়েক শেংলকখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন কাঙবুশিংনা লিংনা লৈরিবা ইষ্টর্ন সীটি সান্তা ক্রুজগী লম্বীশিংদা মীয়াম্না চবুন চবুন থোক্লক্তুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। তৌইগুম্বসুং হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী অহৌবা বম্বুলাগী মখোলশিং ওফিসলশিংনা শেঞ্জা-থুমজা তৌবদা পেন্নদ্রবা লা পজদসু তাখি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী বেলোটকী ৱাফম অদু ভোটর চাদা ৫১ না য়াখিদে অমসুং প্রসিদেন্টগী লাইবক থীনিংঙাই ওইবা মওংদা ভোটর চাদা ৪৯ খক্না মদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখি। পোলিং ষ্টেসন চাদা ৯৯.৫ না ভেলোটকী ৱাফম মায়থীখিবগী মার্জিন ভোট মশীং ১৬০,০০০ নি হায়না রিপোর্ট তৌখি। রিজল্টশিং অদুনা ভাইস প্রসিদেন্ট অলবারো গার্সিয়াসু মথংগী মীখলদা অমুক হন্না চোংথোকপগী অয়াবা পীখিদ্রে। প্রসিদেন্ট মোরালিজনা রিজল্টশিং অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীখিদে।

ইভো মোরালিজ অসি বোলিভ্যাগী অহানবা য়েলহৌমী প্রসিদেন্টনি। মহাক্না টর্ম অহুম্লক ওফিস পায়রিঙৈ মনুংদা লম্বী-থোং খুদোংচাদ্রবা অন্দিয়ন লৈবাক অসিগী পোলিটিক্সতা শরুক য়ারিবা কাঙলুপশিংগী শক্লোনদা অহোংবা লাকহনখি।

মহাক্না মীওই মিলিয়ন কয়া নেচরেল গ্যাসকী রেভিন্যুশিং চাং মান্ননা থুংহন্দুনা লায়রবা কোকহনবদা মতেং পাংখি অমসুং ইথনিক অন্দিয়ন মিদ্দল ক্লাস অমা শেম্বদসু মতেং পাংখি। মহাক্না এয়রপোর্ট কয়া, হাইৱে কয়া শাবদা নৎতনা লা পজগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা ওষ্ট্রিয়নশিংদগী খুৎশেম ওইবা এইরিয়ল ত্রামৱে সিষ্টেম অমসু শাখি। মহাক্না চাইনানা শাবা সেটলাইট অমসু স্পেসতা থাগৎখি। তৌইগুম্বসুং বোলিভ্যানশিংনা মঙোন্দা খাংবা ঙমদবমখৈ পেন্নদ্রিবদি হৌজিক্তি মরা তাবগুম তৌরবা মহাক্কী সোসিয়েলিজমগী মুভমেন্ট অসিনি।

চেদা ওটোনোমি পীবগীদমক্তা অহানবদা মহাকপু থাগৎখিবা বোলিভ্যাগী য়েলহৌমীশিংনা মখোয়গী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা লমশিং অদুদা মহাক্না নেচরেল গ্যাস অমসুং ওইল প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা হোৎনরুবদগী মঙোন্দা থল্লম্বা থাজবশিং মাঙখি।

# অশাদনা পুটিনদা সিজফায়র ইকাইখুম্নগনি হায়খ্রে

মোস্কো, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

মোস্কো অমসুং ৱাশিংটননা ৱাতেমদুনা পুরকপা সিজফায়রগী দিল অমা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইকাই খুম্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা মহাক্কী রসিয়ন লেংমান্নবা ৱ্লাদিমির পুটিনদা থাজবা পীরকখ্রে হায়না ক্রেমলিননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ক্রেমলিননা হায়খি, সিজফায়রগী দিল অদুগী মতাংদা লুচিংবা অনীনা ফোনদা খন্ন-নৈনখি অমসুং অশাদনা দিল অদুদা য়াওরিবা প্রপোজেলশিং অদু পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট অমা পুরকপগী মায়কৈদা থাংলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোরক্লে।

"মরু ওইনা অশাদনা মহাক্কী লৈবাক্তা সিজফায়র পুরকপদা খুদোংচাহন্নবা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা শেম শাদুনা লৈ হায়বসি কনফর্ম তৌখ্রে" হায়না ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং অল-নুশরা ফ্রন্ট কুম্বা জিহাদিষ্টশিংদদি চৎনরোইদবা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না দামাসকসকী মতমদা ইরাই নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী সিরিয়ন রেজিমগী ফোর্সশিং অমসুং ওপোজিসন গ্রুপশিংগী মরক্তা খুৎ থানবা লেপ্পগদবনি। পুটিন অমসুং অশাদনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী লিষ্টতা য়াওরিবা আই এস গ্রুপ, অল-নুশরা ফ্রন্ট অমসুং অতে টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা হনবা লৈতনা লাম্হেংনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু য়ানখ্রে হায়না ক্রেমলিননা ফোঙদোকখি।

# 'অতৈদগী হেল্লি উৎনবা বৈজিংনা মিলিটরিগী মপাঙ্গল শাগৎলিবনি'

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

ইষ্ট এসিয়াদা চাইনানা মিলিটরিগী মতিক ময়াই হেন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা সাউথ চাইনা সীদা মিসাইলশিং অমসুং রাদর দিপ্লোই তৌশিন্দুনা বৈজিংনা লমদম অদুদা ওপরেসনেল লেন্দস্কেপতা অহোংবা লাকহল্লি হায়না য়ু এস মিলিটরিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

"চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা য়াম্না নাখৈ শেংনা মিলিটরিগী মপাঙ্গল শাগৎলি" হায়না য়ু এসকী পেসিফিক কম্মান্দগী মকোক এদমিরেল হেরি হেরিসনা হায়খি। "মসি অপাকপা মালেম অসিদা লৈরগা মালেমবু মতুম তাই হায়না থাজবগা মান্নবনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

হেরিসনা হায়খি, সাউথ চাইনা সীগী পারাসেল ঈথৎ পরিংদা য়াওবা ৱাদি ঈথৎতা চাইনানা লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপ্পা মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌবা, স্প্রাটলিজগী কার্টেরোন রীফতা অনৌবা রাদরশিং খিনজিনবা অমসুং অনৌবা এয়রষ্ট্রিপশিং শারিবসি ঐহাক্কী ৱাখলদদি সাউথ চাইনা সীগী ওপরেসনেল লেন্দস্কেপ হোংহনবা থবকশিংনি হায়না থাজৈ।

মহাক্না ৱা ঙাঙখিবা মতুং ইকুই কুইদনা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিংনা চাইনানা হন্দক্তা ৱাদি ঈথৎতা ফাইটর জেটশিং দিপ্লোই তৌখি হায়না কনফর্ম তৌখি। বৈজিংনা মফম অদুদা ফাইটর জেটশিং থাবসি অহানবা নত্তে তৌইগুম্বসুং বৈজিংগী অনিংবা অমসুং অপাম্বগী মরমদা অনৌবা ৱাহং কয়া লাকই হায়রি।

য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দগী স্পোক্সমেন ওইরিবা য়ু এস নেভিগী কেপ্টেন দারিন জেমসনা হায়খি, চাইনানা ৱাদি ঈথৎতা হঞ্জিন-হঞ্জিননা এদভান্স ফাইটর এয়রক্রাফট দিপ্লোই তৌবসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা ট্রেন্দ অমা মখা শমথবনি হায়না লৌবা য়াই। "অসিগুম্বা লমদম অদুদা লৌখৎলিবা তং তাবগী ফীভম থুগাইবা থবকশিং অদু চাইনা অমদি লমদম অদুগী লমশিং ক্লেম তৌরিবা লৈবাক অতৈনা য়েৎনবগী ফীভম চাউথোক্তনবা হোৎনগনি হায়খিবদুগা চানদে" হায়না মহাক্না হায়খি।

"মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না লম ক্লেম তৌরিবা লৈবাক খুদিংমক্তা সাউথ চাইনা সীদা লম খোপচিনবা তোক্লবা, শেমগৎ শাগৎপা অমসুং মিলিটরিগী পাঙ্গল শাগৎপা তোক্লবা/ লেপ্পবা অপিল তৌখিবনি।"

সাউথ চাইনা সীদা মত তিন্নদবা ৱাফম কয়া লৈদুনসু য়ু এস অমসুং চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী হন্দক পাঙথোকখিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিং অদুগী মায়োক্তা তাগদবা য়ু এনগী রিজোলুসন অমগী মতাংদা মখোয়না য়ানবা পুরকপা য়ানা লৈরে হায়খি অমসুং শেল-থুম অমসুং অতৈ ইস্যু কয়াদা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফমদা মীৎয়েং থম্নখি।

ৱাশিংটনদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংয়ি অমসুং য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিগী মরক্তা মীফম পাঙথোক্লিঙৈগী মমাঙদা ৱা ঙাঙলদুনা হেরিসনা হায়খি, চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা খুৎশু খুৎলাই অমসুং লাম্মীশিং পৈশিন্দুনা লমদম অদুগী ফীভম হেন্না লুশিনহল্লে। চাইনানা থল্লিবা পান্দমগী মতাংদা হংবদা মহাক্না হায়খি, চাইনানা ইষ্ট এসিয়াদা অতৈ লৈবাকশিংদগী মখোয়না হেল্লি হায়বদু উৎথোক্লবা হোৎনবা মাল্লি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হেরিসনা হায়খি, চাইনাগী দি এফ-২১ অমসুং দি এফ-২৬ এন্টি-শিপ মিসাইলশিংনা য়ু এসকী এয়রক্রাফট কেরিয়রশিংদা অকিবা পোকহনবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মহাক্না অমেরিকান ভেসেলশিং য়াম্না খাংবা ঙমই অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তঙাইফদনা তৌফম থোকপা তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ।

# চাইনাগী ৱার্নিং সাউথ কোরিয়ানা য়াখিদ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

সাউথ কোরিয়ানা য়ু এসকী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌনবা থৌরাং তৌরিবদুনা সিওলগা বৈজিংগা লৈনবা মরীদা অকায়বা পীগনি হায়বা চাইনাগী ৱার্নিং অদু সাউথ কোরিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদু শুপ্নগী নোর্থ কোরিয়ানা কিহল্লক্লিবশিং থেংননবগীদমক্তনি হায়খ্রে।



"টর্মিনেল হাই অল্টিচ্যুদ এরিয়া দিফেন্স সিষ্টেম (থাদ) দিপ্লোই তৌবা হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইলগী অকিবশিং পোকহল্লক্লিবা অদুগী মায়োক্তা লৌখৎপা মশা ঙাকথোকচনবগী খোঙথাং অমনি" হায়না প্রসিদেন্সিয়ল স্পোক্সমেন জিওং য়িওন গুকনা হায়খি।

জিওংনা মখা তারদুনা হায়খি, ইস্যু অদু সিক্যুরিটিগী ৱাফম অমসুং লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টশিং য়েংলগা লৈখায় তাগনি অমসুং চাইনানা মসিগী পোইন্ট অসি খঙবীবা চঙই।

প্রসিদেন্সিয়ল স্পোক্সমেনগী ৱারোল অসি চাইনাগী এম্বেসেদর কিউ গৌহোংনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা থাদ সিষ্টেম থম্বনা বৈজিংগা সিওলগা লৈনবা মরীদা চাওনা অকায়বা পীরক্কনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবা মতুংদা লাকপনি।

নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তৌখিবা অমসুং রোকেট থাগৎখিবগী পাউখুম ওইনা ৱাশিংটন অমসুং সিওলনা সাউথতা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদু দিপ্লোই তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়না লাউথোকখিবদগী চাইনানা থৌরাং অদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং চাইনিজ দিপ্লোমেট নৎত্রগা ওফিসল অমনা সিওলগা লৈনবা দিপ্লোমেটিক মরীদা অকায়বা লাক্কনি হায়না ৱার্নিং পীবসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকীসিনা অহানবনি।

সাউথ কোরিয়াগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোলদি ফোঙদোক্তবীদা লৈবাক অসিনা কিউগী কম্মেন্টশিং অদুগী মতাংদা তঙাই ফদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি হায়খি।

"থাদ দিপ্লোইমেন্টগী মতাংদা ইস্যু অমা থাঙ্গৎলক্লিঙৈগী মমাঙদা প্রোব্লেম অদুগী হৌরকফম মরু হান্না খন্নবনা চুমগনি" হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

থাদকী সিষ্টেমদা য়েক্লবগী মিসাইলশিংবু এন্টি-বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপশিন্দুনা থুগাইবা য়াওই। য়েক্লবগী মিসাইলশিং থুগাইগদৌরিবা ইন্টরসেপ্টর মিসাইলশিং অদুদা ৱারহেদশিংদি পুরোই, ৱারহেদশিংনা টার্গেটশিং থুগাইবগী মহুৎতা কাইনেটিক ইনর্জিনা ওইনা মদুগী থবক্তু পাঙথোক্কনি।

পিয়োংয়াংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৭ তা অশানবা রোকেট অমা থাগৎখিবদগী য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়া মীচং লৈবাক অনীনা পেনিন্সুলা অদুদা থাদ দিপ্লোই তৌনবা ৱা খন্নবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবনি। নোর্থ কোরিয়াগী অশানবা রোকেট অদু য়ু এস অমসুং মীচং লৈবাকশিংনা বালেষ্টিক মিসাইলগী অরোনবা চাংয়েংনি হায়না লৌই।

# সাউদি সিক্যুরিটি ওপরেসন্দা ইন্দিয়ন ১ শিখ্রে

দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

সাউদি ওথোরিটিশিংনা কোইতান তান্নরকখিবা বহেরাইন মচা অমা হাৎখিবা সিক্যুরিটিগী ওপরেসন অমদা চাইথোরকপা মরুনা পানবদগী ইন্দিয়ন অমা শিরে অমসুং অহুম শোক্লে হায়না ঙসি ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

"টেররিষ্টনি হায়না চিংনবা অলি মহমদ অব্দুল্লা কৌবা মীওই অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা অৱামিয়া টাউনদা লৈবা ফার্ম অমদা মহাকপু ফানবা থাখিবা ওফিসরশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগী কাঙবুনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি" হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখি। ইন্দিয়নশিং লৈবা কা অমদা নোংমৈ মরু খরা হাইজিল্লকপদগী ইন্দিয়ন ৱার্কর অমা শিখি অমসুং অতৈ অহুম্না শোকখি হায়না মশক মমিং তাকথোক্তবা ইন্দিয়ন ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি। অশোকপা অনীগী ফীভম লুবা ওইদে, তৌইগুম্বসুং অহুমশুবা মীওই অদুদি মরেংবানদা পানখি হায়না ছোর্স অদুনা মখা তাখি।

হ্যুমেন রাইটস ফার্ষ্ট সোসাইটি সাউদি অরাবিয়াগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম অল মুগাইতীবনা হায়খি, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অৱামিয়াদা নোংমৈ কন্না কাপখি।

"মদু খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমনি" হায়না মহাক্না থংনবা দিষ্ট্রিক্ট কাটিফতগী ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা ওটোমেটিক খুৎলাই অমগা পিষ্টোল অমগা সিক্যুরিটি কাঙবুগী খুৎতা শিখিবা সস্পেক্ট অদুদগী ফংলে হায়না ফোঙদোকখি। ইভিদেন্স কয়ানা শিখিবা মীওই অদু টেররিষ্টকী ক্রাইম কয়াদা চেন্নবগা লোয়ননা কাটিফতা সিক্যুরিটি অমসুং পব্লিক ওর্দর থুগাইবা মীশক্লি হায়বসি খঙবা ঙম্লে হায়না স্পোক্সমেন অদুনা সিয়াইটনা নম্না তাবা লমদম অদুদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি।

মীওই ৩০,০০০ রোম লৈবা অৱামিয়া টাউনদা কুমজা ২০১১দগী হৌনা ঈরাং কয়া তৎতনা থোক্লকখি। হৌখিবা জন্যুৱারী ২ দা অৱামিয়াদগী হৌখিবা শক্লাইরবা সিয়াইট ক্লারিক নিমর অল-নিমরবু শিবগী চৈরাক পীবদগী নোংমৈ কাপ্পা, টয়ার মৈ থাবা অমসুং বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংনা টাউন অদুবু চয়োল অমা নীংকহনখি।

# EMPLOYMENT NEWS

## BIHAR VIKAS MISSION

Bihar Vikas Mission invited applications for 100 Management Associate & Other Posts. The eligible candidates can apply to the post through the prescribed format on or before 08 March 2016.

Notification No. : BVM/2015-16/HR 02

Last Date for Submission of Application: 08 March 2016

*Bihar Vikas Mission Vacancy Details*

| | | |
|---|---|---|
| Management Associate | : | 28 |
| Programme Analyst | : | 15 |
| Technical Associate | : | 15 |
| Finance Associate | : | 05 |
| Research Associate | : | 15 |
| Communications Associate | : | 10 |
| Project Lead | : | 12 |

Eligibility Criteria for Management Associate & Other Posts

Educational Qualification:

Management Associate: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields - engineering, management or social sciences. Minimum 2 – 5 experience with a Master's Degree/ minimum 3 – 7 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute.

Programme Analyst: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields - engineering or statistics. Minimum 2 – 5 experience with a Master's Degree/ minimum 3 – 7 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute.

Technical Associate: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields – engineering. Minimum 2 – 5 experience with a Master's Degree/ minimum 3 – 7 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute.

Finance Associate: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields - CA/Management Degree in Finance. Minimum 2 – 5 experience with a Master's Degree/ minimum 3 – 7 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute

Research Associate: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields - management or social sciences. Minimum 2 – 5 experience with a Master's Degree/ minimum 3 – 7 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute.

Communications Associate: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields - Journalism, Mass Communications or Media Management. Minimum 2 – 5 experience with a Master's Degree/ minimum 3 – 7 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute

Project Lead: Master's or Bachelor's degree from an institution of education in India recognized nationally and internationally in relevant fields - engineering, management, social sciences. Minimum 5 – 10 experience with a Master's Degree/ minimum 7 – 10 years' experience with a Bachelor's Degree preferably with a company or multilateral/bilateral organizations with national or international repute.

Age Limit for Management Associate & Other Posts: 35 years

How to Apply for the Bihar Vikas Mission Management Associate & Other Posts 2016

Eligible candidates can apply to the post through the prescribed format and send the applications along with other necessary documents so as to reach on or before 08 March 2016.

Admit Card for Bihar Vikas Mission Management Associate & Other Posts

Details in this regard can be found from the official website.

Result of Bihar Vikas Mission Management Associate & Other Posts

Details in this regard can be found from the official website.

## Bharat Heavy Electricals Limited (BHEL)

Bharat Heavy Electricals Limited (BHEL) invited applications for 13 Part Time Medical Officer Posts. The eligible candidates can appear for walk in interview on 25-27 March 2016.

Date of Interview: 25-27 March 2016

*BHEL Haridwar Vacancy Details*

| | | |
|---|---|---|
| Name of the Post | : | Part Time Medical Officer |
| Discipline Wise Vacancy | | |
| Ophthalmologist | : | 01 |
| Gynaecologist | : | 01 |
| Radiologist | : | 01 |
| Anaesthesiologist | : | 01 |
| ICU Anaesthetist | : | 01 |
| General Physician | : | 02 |
| Psychiatrist | : | 01 |
| General Surgeon | : | 01 |
| Paediatrician | : | 01 |
| General Duty Medical Officer | : | 03 |

Eligibility Criteria for BHEL Haridwar Recruitment 2016

Educational Qualification:

All Posts except General Duty Medical Officer: MS/MD/ DNB/ PG Diploma

General Duty Medical Officer: MBBS

Age Limit for BHEL Haridwar Recruitment 2016: 65 Years

How to Apply for the BHEL Haridwar Recruitment 2016

The eligible candidates can appear for walk in interview on 25-27 March 2016.

Admit Card for BHEL Haridwar Recruitment 2016

Details in this regard can be found from the official website.

Result of BHEL Haridwar Recruitment 2016

Details in this regard can be found from the official website.





ইচা ইবুংঙোবু থাগৎচরি



শরদকুমার

নুঙগী লায়েংবা ওজা নবকিশোরগী লাইরিক **"চুম্মী" হায়না লৌবিব্রা? "লাল্লী" হায়না লৌবিব্রা?** হায়বা ইচা-ইশুশিংনা পাবা ঙম্নবা মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবীরিবা ইচা ইবুঙো শরদকুমার লোংজম মোইদাংপোক্তা লৈববু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। লাইরিক অসি ইমুং হুপ্না পুন্না ফম্মিন্নরগা পাবা য়াবা কান্নরবা লাইরিকনি। ইচা ইবুঙোবু থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা ঃ **কৈশাম অঙৌ সিংহ**

হুইকপ মখা লৈকাই।

HL-P/7497/10/02to9/03

